
# সি জিনপিংগী খোঙচৎ মনুংদা চাইনা অমসুং আরব ষ্টেটশিংগী মরক্তা কো ওপরেসন হেনগৎহনবগী ৱাফম য়ানখ্রে

রিয়ার্দ, দিসেম্বর ১১ (এজেন্সী):

চাইনা অমসুং আরব লিগকী মেম্বর ষ্টেটকী লুচিংবশিংনা কো ওপরেসন হেনগৎহনবা অমসুং চাইনা-আরব ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিপ চেৎশিলহনবগী ৱাফম য়ানখ্রে হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।



হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুংথিলদা রিয়ার্দতা লৈবা কিং অব্দুল অজিস ইন্টরনেসনেল কনফরেন্স সেন্টরদা অহানবা চাইনা-আরব ষ্টেট সম্মিট পাঙথোকখি। সম্মিট অদুদা অহানবা চাইনা-আরব ষ্টেট সম্মিটকী রিয়ার্দ দিক্লারেসন ইস্যু তৌদুনা চাইনা অমসুং আরব ষ্টেটশিংগী মরক্তা পুৱারীগী অনৌবা তাঙ্কক অমা হাংদুনা চাইনা-আরব কম্যুনিটি অমা শেমগৎনবা হোৎনমিন্নবগী ৱাফম য়ানখি।

চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা আরব লিগকী লৈবাক ২১ গী লুচিংবশিংগা লোয়ননা সম্মিট অদুদা শরুক য়াখি। অহানবা চাইনা-আরব ষ্টেট সম্মিটকী মতুংদা ইস্যু তৌখিবা দিক্লারেসন অদুদা লুচিংবশিং অদুনা চাইনা-আরব ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিপকা মরী লৈননা হান্নদগী হেন্না পাকথোক চাওথোকপা মীৎয়েংগা লোয়ননা মরু ওইবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলগনি হায়না ফোঙদোকখি।

দিক্লারেসন অদুগী মতুং ইন্না চাইনা-আরব ষ্টেটশিং তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা চাইনা-আরব কো ওপরেসন হেন্না চেৎশিলহনবগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ। নাকল অনীগী কো ওপরেসন অদু মরু ওইনা চাইনা-আরব ষ্টেটস কো ওপরেসন ফ্রেমৱার্ককী মনুং চনবা মেকানিজমশিংগী খুত্থাংদা চথুগদবনি।

নাকল অনীনা পুৱারীগী অনৌবা তাঙ্কক্তা তাথোক তাশিন তৌদুনা মান্নবা পান্দমশিংগা লোয়ননা থবক তৌমিন্নগদবা চাইনা-আরব কম্যুনিটি অমা শেমগৎনবা অঙন্বা থাক্তা হোৎননবগী ৱাফম য়াখি। দিক্লারেসন অদুদা আরব ষ্টেটশিংনা ৱান-চাইনা প্রিন্সিপল অসিদা থাজবা থম্মী, চাইনাগী সোভরেন্টি অমসুং টেরিটরিএল ইন্টিগ্রিটি সেফ গার্দ তৌবগী ৱাফম শৌগৎলি হায়না পনবগা লোয়ননা টাইৱান অসি চাইনাগী লমগী তৎন থানবা য়াদ্রবা শরুক্কি হায়নসু নৌহৌননা পনখি।

লুচিংবশিং অদুনা রিজনেল ক্রাইসিসশিং অমসুং সিরিয়া, লিবিয়া অমসুং য়েমেনগুম্বগী ক্রাইসিসশিংনচিংবা ইস্যুশিংগী মতাংদা মরী লৈনবা ইন্টরনেসনেল রিজোলূসনশিং, এগ্রিমেন্টশিং অমসুং প্রিন্সিপলশিংগী মতুং ইন্না পোলিটিকেল সোলুসন পুরক্লবা রিজনেল অমসুং ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা হোৎনগদবনি হায়বা ৱাফম য়ানখি।

মখোয়না হায়খি, মদুদি যুক্রেন ক্রাইসিসকী মতাংদা পোলিটিকেল সেটলমেন্ট অমা পুরকপগা লোয়ননা ইন্টরনেসনেল লো, যুএন চার্টরগী প্রিন্সিপলশিং, নেসনেল সোভরেন্টি অমসুং টেরিটরিএল ইন্টিগ্রিটিগী মীৎয়েং থম্লগা সেক্যুরিটি অমসুং মরা তপ্পা ফিভম অমুক হঞ্জিলহন্নবা হোৎনরিবা পুম্বা মখোয়না শৌগৎকনি। লুচিংবশিং অসিনা মখা তারদুনা মখোয়না পাক শন্না মাঙহন তাকহনবা ৱেম্বা খুৎলায়শিং লৈতবা মিদ্দল ইষ্ট জোন অমা নন-প্রোলিফরেসন ওফ ন্যুক্লিয়র ৱেপন্সকী ট্রিটিগী মতুং ইন্না লিংবগী ৱাফম শৌগৎলি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ট্রিটি অসি ইন্টরনেসনেল ন্যুক্লিয়র নন-প্রোলিফরেসন রেজিমগী মতাংদা য়াম্না মরু ওইরিবনি। নাকল অনীনা কাউন্টর-টেররিজমগী থবকশিং হেন্না কনশিলহনবা অমসুং টেররিজম থেংনবদা মচিন অনী লোংবা ফিরেপ উৎপগী থৌওং রিজেক্ট তৌবা হায়নসু য়ানখি।

মখা তানা মখোয়না সিভিলাইজেসনশিংগী মরমদা দাইলোগকী থৌরাংশিং হেন্না ইনোৎ হাপ্পা অমদি মওং খুদিংমক্কী ইস্লামোফোবিয়া ওপোজ তৌবগী ৱাফমসু য়ানখি।

# রসিয়ানা পাক্তক্লনা দ্রোন এটেক চথুবদা য়ুক্রেনগী ওদেশাদা মীওই মিলিয়ন ১.৫ মৈ ফঙদ্রে

কিভ, দিসেম্বর ১১ (এজেন্সী):



রসিয়ন ফোর্সশিংনা কামেকাজা দ্রোনশিং শীজিন্নদুনা অহিং চুপ্পা পাক্তক্লনা ষ্ট্রাইক চথুখিবা মতুং থাংজ নুমিৎতা য়ুক্রেনগী খা থংবা সিটি ওদেশাদা লৈরিবা মীওই মিলিয়ন ১.৫ হেন্না মৈগী খুদোংচাবা ফঙদনা লেনখ্রে হায়না প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা ফোঙদোকখ্রে।

লমদম অদুগী ইনর্জি ওথোরিটিনা ইরাই নুমিৎকী দ্রোন ষ্ট্রাইকশিং অদুগী মতুংদা মফম অদুগী ইনর্জি ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমজিন শাজিনবগী থবক চয়োল কয়া নত্ত্রগা থা অহুম ফাওবা চঙলবা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখি।

প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা হায়খি, মদুদি ইরানিয়ন দ্রোনশিং শীজিন্নদুনা রসিয়ন ফোর্সশিংনা অহিং চুপ্পা ষ্ট্রাইক চথুখিবদগী ওদেশা অমসুং লমদম অদুগী অতৈ সিটিশিং অমসুং ভিলেজশিং হৌজিক পুম্মম মম্লগা লৈরি।

প্রসিদেন্সিএল এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিপ্যুটি হেদ কিরিলো টিমোসেনকোনা হায়খি, মদুদি হৌজিক হৌজিক ওদেশা রিজনগী মীওই মিলিয়ন অমগা তঙ্খায় অমা হেন্না ইলেক্ট্রিসিটিগী খুদোংচাবা অমত্তা ফঙদনা লেল্লি। লমদম অদুদা শুপ্নগী হোস্পিটালশিং অমসুং মেটর্নিটি ৱার্দশিংগুম্বা মরু ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরদমক মৈগী খুদোংচাবা ফঙলি।

হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসি অরুবা অমা ওইরবসু ঐখোয়না কন্ট্রোল তৌরে হায়না টিমোসেনকোনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, রসিয়াগী প্রসিদেন্ট পুটিননা ফেব্রুৱারী ২৪ দা নোংচুপলোমগা নকশিন্নবা পাম্বা য়ুক্রেনদা ট্রুপশিং থাদ্রিঙৈগী মমাঙদা ব্লেক সীগী পোর্ট অদু য়ুক্রেনিয়ন অমসুং রসিয়ন কয়ানা পাম্নবা হোলিদে দেষ্টিনেসন অমা ওইরম্মী। লমদম অদুগী গভর্ণর মাক্সিন মার্চেনকোনা হায়খি, মদুদি রসিয়ানা সিটি অদুদা অহিং চুপ্পা কামি কাজে দ্রোনশিং শীজিন্নদুনা পাক্তক্লনা এটেক চথুরকখি।

দ্রোন ষ্ট্রাইক অদুনা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী লমদম অসিগী দিষ্ট্রিক্ট অমদি কম্যুনিটি পুম্নমক্তা মৈ ফঙদ্রে। মার্চেনকোগী মতুং ইন্না য়ুক্রেনিয়ন এয়র দিফেন্স য়ুনিটশিংনা দ্রোন অনী কাপথখি।

কিভনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা লানগী চৈথেং চাওনা নঙলবা ওদেশা য়াওনা লৈবাক অদুগী খা থংবা লমদমশিং রসিয়ন ফোর্সশিংনা য়ুক্রেনগী ইনর্জি গ্রিদতা সিষ্টেমেটিক ওইনা ইনৌ নৌনা দ্রোন অমদি মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং লেপ্তুনা চথুবদগী খ্বাইদগী শাথিবা মওংদা মৈ ফঙদবগী অৱাবা মায়োক্লরক্লি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা রসিয়ানা য়ুক্রেনগী মরু ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা ক্রুজ মিসাইল মশিং থিঙমদনা কাপশিন্দুনা হঞ্জিন হঞ্জিন এটেক কয়া চথুবদগী চৈথেং নঙদুনা লৈরবা লৈবাক অসিগী গ্রিদতা অহেনবা প্রেসর পীখি।

# লক্ষ্নৌ ইনভেষ্টর সম্মিটতা শরুক য়াহন্নবা যোগিগী টিমনা টোরোন্টোদা কানাদিয়নশিংবু থেম্লি

টোরোন্টো, দিসেম্বর ১১ (এজেন্সী):





উত্তর প্রদেশপু ইন্দিয়াগী চাওখৎ খোঙথাংশিংগী ইঞ্জিননি হায়না প্রোজেক্ট তৌবগা লোয়ননা লাক্লিবা ফেব্রুৱারীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট অসিগী গ্লোবেল ইনভেষ্টর সম্মিট ২০২৩ দা য়াওহন্নবা ইনভেষ্টরশিংবু থেম্নবগীদমক্তা অৱাংবা থাক্কী উত্তর প্রদেশকী দেলিগেসন অমা টোরোন্টোদা লৈরি হায়রি।

ইনভেষ্টরশিংবু থেমদুনা ষ্টেট অসিদা লুপা ক্রোর লাক্ষ ১০ হেন্না ইনভেষ্টরশিংবু থাদহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা যোগি অদ্যিটনাথ গভর্ণমেন্টনা মালেমগী লৈবাক ১৭ দা দেলিগেসনশিং থাখিবনি। ফেব্রুৱারী ১০ দগী ১২ ফাওবা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা লক্ষ্নৌদা চথুগদৌরিবা সম্মিট অদুদা মালেমগী মফম কয়াদগী ইনভেষ্টর ১০,০০০ রোম্না শরুক য়াগনি হায়না পারি।

উত্তর প্রদেশ এসেমব্লিগী স্পিকর ছতিস মহানানা লূচিংবা অমসুং এগ্রিকলচর এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি মিনিষ্টর ধরমপাল সিংহ সাইনি, চীফ সেক্রেটেরি দুর্গ সঙ্কর মিশ্রা, ইনভেষ্ট য়ুপিগী সিইও অভিসেক প্রকাস অমসুং অতৈ কয়া য়াওবা দেলিগেসন অদুগীদমক্তা লাঙখিবা দিন্নর অমদা কানাদা ইন্দিয়া ফাউন্দেসননা উত্তর প্রদেশকী দেলিগেসন অদুগা লোয়ননা এম ও য়ু অমা খুৎয়েক পীনখি। এম ও য়ু অদুনা কানাদাগী ইনভেষ্টরশিংনা উত্তর প্রদেশতা ইনভেষ্ট তৌহনবদা খুদোংচাহল্লগনি।

দেলিগেসন অদুবু তরাম্না ওক্লবা কানাদা-ইন্দিয়া ফাউন্দেসনগী চিয়ারমেন ছতিস থাকরনা ষ্টেট ইনভেষ্টর সম্মিট অদুদা ওফর তৌরিবা খুদোংচাবশিং ইন্দো-কানাদিয়ন ইনভেষ্টরশিংনা খঙবা পাম্মী হায়নসু ফোঙদোকখি।

চীফ সেক্রেটরি দুর্গ সঙ্কর মিশ্রানা হায়খি, উত্তর প্রদেশ অসি ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী খোঙজেল য়াঙনা চাওখৎলক্লিবা ষ্টেট ওইরে। মসি মরু ওইনা চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিট্যনাথনা ষ্টেট অসিবু মসিগী জি দি পি শরুক মরি হেনগৎহন্দুনা মথংগী চহী মঙাগী মনুংদা ট্রিলিয়ন দোল্লর ইকনোমিক অমা ওইহন্নবগী মিশন অমদা চঙশিল্লকপদগীনি।

সেন্টরদা লৈরিঙৈদা ও সি আই কার্দ শেম্বদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা ষ্টেট অসিগী চীফ সেক্রেটরিনা হায়খি, মদুদি য়ুপিগী হৌজিক লৈরিবা গ্রোঠ রেট চাদা ৮ নি অমসুং মদু অথুবা মতমদা দিজিট অনী ওইরগনি।

ইনভেষ্টর সম্মিট অদু গ্রোঠকী খোঙজেল থুজিলহন্নবা চীফ মিনিষ্টরনা পায়খৎলক্লিবা থৌরাংগী শরুক্কি।

# লৈবাক পুম্নমকপু চাওখৎহনবদা মরা তপ্পা ফিভম্না খ্বাইদগী মরু ওইবা মচাক্নি

নোমপেন, দিসেম্বর ১১ (এজেন্সী):

মালেমগী লৈবাক পুম্নমকপু চাওখৎহনবদা চঙলিবা খ্বাইদগী মরু ওইবা মচাক্তি তুং কোইনা মরা তপ্পা ফিভম লৈহনবা অসিনি হায়না কম্বোদিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর হুন সেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱার্ল্ড-বেজ ক্লবকী খ্বাইদগী ফজবা বেজশিংগী ওইবা ১৬ শুবা ৱার্ল্ড কংগ্রেস হৌদোকপগী থৌরমদা হুন সেননা ৱাফম অসি হৌখিবা থাংজদা প্রিহা সেহনোবতা ফোঙদোকখিবনি। কংগ্রেস অদুদা লৈবাক অমসুং রিজন ২১ গী বে ৩৪ গী মহুৎ শিল্লিবা দেলিগেট ১৩০ রোম্না শরুক য়াখি। টুরিষ্ট অমত্তনা লান শোক্নরিবা লৈবাক অমত্তদা চৎপা নত্ত্রগা কোয়বা পামদে হায়না ফোঙদোকখি।

হুন সেননা মখা তানা হায়, লৈবাক চাওখৎহনবদা মরা তপ্পা ফিভম্না খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌদাং লৌখি অমসুং মসিনা ঐখোয়গী মীয়ামদা তুংগী ওইবা অচৌবা ৱাখল অমা পোকহনখি। মরা তপ্পা ফিভম লিংবগা লোয়ননা কোভিদ ১৯ পেন্দামিক মায় পাক্না কন্ট্রোল তৌবা অসিনা কম্বোদিয়াদা লাক্লিবা ফোরেন টুরিষ্টশিংগী মশিং কুমজা ২০২৬ নত্ত্রগা ২০২৭ দা পেন্দামিক মমাঙগী লেভেল য়ৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। কুমজা ২০২৩ দা ঐখোয়গী লৈবাক্তা দোমেষ্টিক টুরিষ্ট মিলিয়ন ১১ রোম উবা ফংগনি অমসুং কুমজা ২০২৬ নত্ত্রগা ২০২৭ ফাওবদা ইন্টরনেসনেল টুরিষ্ট মিলিয়ন ৭ রোম লাক্কনি হায়না ঐখোয়না পাই। পেন্দামিক মমাঙগী মতমদা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অসিদা কুমজা ২০১৯ দা ইন্টরনেসনেল টুরিষ্ট মিলিয়ন ৬.৬ লাকখিবগা লোয়ননা অপুনবা রিভেন্যু ওইনা দোল্লর বিলিয়ন ৪.৯২ তানবা ঙমখি।

টুরিজম অসি কম্বোদিয়াগী ইকনোমিক সপোর্ট তৌরিবা মরু ওইবা পিল্লর মরিগী মনুংদা অমনি। লৈবাক অসি সেম রিয়ার্দ প্রোভিন্সতা লৈরিবা অঙ্কোর আর্কিওলোজিকেল পার্ক য়াওনা মসিগী ৱার্ল্ড হেরিটেজ সাইটশিংগীদমক মমিং চৎলি। মসিদা নত্তনা খা নোংচুপ থংবা প্রোভিন্স মরি হায়বদি প্রিহা, সিহানোব, কেভ, কাম্পোট অমসুং কোহোকোমগী কিলোমিটর ৪৫০ গী সমুদ্র মপানগী লমশিং অসিসু মরু ওইবা টুরিষ্ট এট্রেক্সন ওইদুনা লাক্লি।

# চহী ৪ মপানদা থৈরুরবা মতুংদা পিএম সরিফকী মচানুপা সোলেমান পাকিষ্টানদা হল্লক্লে

ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ১১ (এজেন্সী):



কেস কয়া মায়োক্লরকপদগী চহী মরি মপানদা থৈদুনা লৈরকখিবা পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সরিফকী মচানুপা সুলেমান সেহবাজ নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা পাকিষ্টানদা থুংলখি হায়না পি এম এল-এন অমসুং লোকেল মেদিয়াগী রিপোর্টশিংনা হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সরিফকী মচানুপা অসি লন্দনদা চহী মরি মরন্নাই ৱারেপ মতুং ইন্না লোই ওইনা লৈরকখিবা মতুংদা পাকিষ্টানদা হল্লকখিবনি।

মহাক্না পাকিষ্টানদা হল্লক্লিবসি এসেটস-বিয়োন-মিন্স রিফরেন্স অমগা মরী লৈননা মহাকপু ফাদনবা ফেদরেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এফ আই এ) অমসুং এন এ বিদা ইস্লামাবাদ হায় কোর্টতা খঙহনখিবা মতুং নুমিৎ খরনিগী মনুংদনি। ট্রাইয়ল কোর্ট অমদা মশামক সরেন্দর তৌবা য়াহনগদবা প্রোটেক্টিব বেল পীবিনবা থাখিবা মহাক্কী পিটিসনগী হিয়ারিংদা ইস্লামাবাদ হায় কোর্টনা ফেদরেল এজেন্সিশিং অসিদা মহাকপু ফাদনবা খঙহনখিবনি। জেনরেল ইলেক্সনগী মাঙওইননা কুমজা ২০১৮ দা নেসনেল একাউন্টিবিলিটি ব্যুরো (এফ আই এ) না মহাক্কী মায়োক্তা কেস কয়া রেজিষ্টর তৌখিবদগী সুলেমান লন্দনদা মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা লৈরকখি।

দোনগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মহাক কোর্টতা লাক্তুনা হিয়ারিং খরদা শরুক য়ারম্লবা মতুং পাকিষ্টান থাদোকখিবনি। নোংমাইজিং নুমিত্তা পার্টিগী ওফিসল ত্বিটর একাউন্টদা সুলেমাননা ময়ুমদা হল্লক্তুনা মহাক্কী অপোকপগা উন্নবগী ভিদিও অমা থাগৎপা উখি। ভিদিও অদুদা পিএম সেহবাজনা সোলেমানদা লৈ পরেং অমা হুকপগী শক্তমসু উবা ফঙখি।

কুমজা ২০২০ গী জুনদা এন এ বিনা কম্পেনি ১৬ কী লূপা বিলিয়ন ২ ফাওবগী সোলেমানগী স্যেরশিংগা লোয়ননা বেঙ্ক একাউন্ট অহুমদা লৈরিবা লুপা মিলিয়ন ৪.১ গী কেস এন এ বিনা সিজ তৌখি। মসিদা নত্তনা এন এ বিনা কনাল ২০৯দা লৈরিবা মহাক্কী লৌউ শিংঙগী লমশিং অমদি অতৈ প্রোপর্টি কয়াসু এজেন্সি অসিনা ফাজিনখি। এন এ বিনা মতম অদুদা সোলেমান মহাক্কী ময়াম্বা হমজা সেহবাজ অমসুং মখোয়গী অপোকপা সেহবাজ সরিফনা লোনা য়াদবা মওংদা পায়রম্বা লুপা বিলিয়ন ৩.৩ গী এসেটশিং আইদেন্টিফাই তৌরে হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

কুমজা ২০২১ গী দিসেম্বরদা কোর্টতা সম্মিট তৌখিবা এফ আই এগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ইনভেষ্টিগেসন টিম অদুনা সেহবাজ ফেমিলিগী বেনামিদার একাউন্ট ২৮ গী টেক তৌখি। একাউন্টশিং অসিগী খুত্থাংদা মখোয়না ২০০৮ তগীনা ২০১৮ ফাওবদা লুপা বিলিয়ন ১৬.৩ গী মনি লোন্দরিং চথুরমখি।

এফ আই এনা ক্রেদিট ট্রাঞ্জেক্সন ১৭,০০০ গী খোঙ্গুল লীদুনা কুপ্পা থিজিনবা হৌখিবনি। হৌখিবা মে ২৮ দা সোলেমানগী মায়োক্তা এরেষ্ট ৱারেন্টশিং ইস্যু তৌখি। তৌইগুম্বসুং এফ আই এনা কোর্টতা মহাক মশাগী এদ্রেসতা লৈরমদবা অমসুং মপানদা চৎখিবদগী মখোয়না মহাকপু ফাবা ঙমদ্রে হায়খি।

## নোবেল প্রাইজ য়েন্থোকপগী থৌরম ষ্টোকহোল্মদা পাঙথোকখ্রে

ষ্টোকহোল্ম, দিসেম্বর ১১ (এজেন্সী):

নোবেল প্রাইজ এৱার্দ সেরিমোনি ২০২২ স্বিদেনগী কেপিটেল ষ্টোকহোল্মদা পাঙথোকখ্রে। চহী অসিগী লোরেটশিংনা থাংজ নুমিত্তা ষ্টোকহোল্মদা লৈবা কন্সর্ট হোলদা মখোয়গী এৱার্দশিং লৌখি হায়না এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

চহী অসিগী লোরেটশিংগী মনুংদা অলেন এস্পেক্ট, জোন এপ ক্লোজর অমসুং এন্টন জিলিঙ্গর (ফিজিক্স), কেরোলিন আর বর্টোজি, কে বেরি সাফলেস অমসুং মোর্টেন মেলদা (কেমেষ্ট্রি), সবান্টি বাপো (ফিজিওলোজি নত্ত্রগা মেদিসিন, এনি ইর্নোক্স (লিটরেচর) অমসুং বেন এস বর্নাঙ্কে, দুগ্লাস দব্লিয়ু দাইমন্দ অমসুং ফিলিক ঐচ দিপবিক (ইকনোমিক্স) য়াওরি।

লোরেটশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা নোবেল ফাউন্দেসনগী বোর্দ চিয়ারমেন কার্ল-হেনরি হেলদিননা হায়খি, মদুদি মালেম অসি হৌজিক শাথিরবা অমসুং ফুদ ক্রাইসিস, শাথিরবা দিস্ক্রিমিনেসনগী থৌওং, সোসল অমসুং ইকনমিক ইন ইক্বেলিটি লোয়ননা ক্লাইমেট চেঞ্জকী অরুবা তাঙ্কক অমা মায়োক্লরি। খুদিংমক অসিগী সোলুসনশিং থুনা পুথোক্লবা হোৎনবা হায়বসি পুম্নমক্কী থৌদাংনি।

ক্রাইসিস অমসুং চেলেঞ্জ কয়া মায়োক্লরকপগা লোয়ননা মালেম অসিনা চোকথবা নাইদনা অচুম্বশিং পুথোক্লবা হোৎনরিবা অমসুং ঐখোয়গী নোলেজকী ঙমখৈ চাওথোক্লবা হোৎনরিবা কত্থোক্লবা সাইন্টিষ্টশিং মথৌ তারি হায়না মহাক্না মখা তাখি। কোভিদ ১৯ পেন্দামিক্না মরম ওইদুনা মমাঙগী চহী অনীগী এৱার্দ সেরেমোনি ওনলাইনদা পাঙথোকখ্রবা মতুংদা চহী অসিগী সেরেমোনি অদুদা কুমজা ২০২০ অমসুং ২০২১ গী লোরেটশিংনসু শরুক য়াখি। নোবেল প্রাইজশিং অসি কুমজা ১৯০১ দগী চহী খুদিংগী পীদুনা লাক্লি। ৱিন্নরশিং চহী খুদিংগী ওক্তোবরদা লাউথোকই।

## পেরুগী অনৌবা প্রসিদেন্টনা কেবিনেট মেম্বরশিং ৱাশক লৌখ্রে

দিনা, দিসেম্বর ১১ (এজেন্সী):

পেরুগী প্রসিদেন্ট দিনা বলৌটৈনা মহাক্কী কেবিনেট মেম্বরশিংবু ৱাশক লৌখিবগা লোয়ননা মখোয়দা করপসনগী থবক থৌওং অমত্তা য়াওদনা মখোয়গী মথৌদাংশিং থম্মোয় শেংনা পাঙথোক্লনবা খঙহনখ্রে।

থাংজ নুমিৎতা বলৌটৈনা মহাক্কী অহানবা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর্সগীদমক্তা নুপা মাপন অমসুং নুপী নিপান এপোইন্ট তৌখি। কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর্স অদু পেদ্রো অঙ্গুলা অরোরানা পিএম ওইনা লুচিংখি।

এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবগী ওইনা লেবর এন্দ এমপ্লোয়মেন্ট প্রমোসন, ট্রান্সপোর্ট অমসুং কম্যুনিকেসন্স মিনিষ্ট্রিশিংগী হেদশিং এপোইন্ট তৌদ্রি। দিনাগী কেবিনেটতা পিএমগী ফম পায়রিবা অঙ্গুলা এন্টি-করপসন প্রোজিক্যুটর অমা ওইরম্মী। মতম অমদা মহাক লিমা বার এসোসিএসনগী ওইখি অমসুং কুমজা ২০২০ দা প্রসিদেন্সিএল মীখল থেংনখি।

# য়ুকেনা পুথোকপা হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেসনগী রিপোর্ট চাইনানা য়াখিদ্রে

লন্দন, দিসেম্বর ১১ (এজেন্সী):

চাইনাদা হ্যুমেন রাইটসকী ফিভম শোকচিল্লকপগী অকুপ্পশিং য়াওবা বৃটিস ফোরেন ওফিসনা হন্দক্তা রিলিজ তৌখিবা রিপোর্ট বৈজিংনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

রিপোর্ট অদুগী পাউখুম ওইনা বৃটেনদা লৈবা চাইনিজ এম্বেসিনা হায়খি, মদুদি চাইনানা মতম পুম্বদা হ্যুমেন রাইটস অমসুং লৈবাক অসিগী মীয়ামগী বেসিক ফ্রিদমশিং ঙাক শেন্দুনা অমদি ফগৎহন্নবা হোৎনদুনা লাকপগা লোয়ননা হ্যুমেন রাইটসকী মতাংদদি চাইনিজ গভর্ণমেন্টনা হোৎনরিবশিং শীংথানিংঙাই ওইনা প্রোগ্রেস লৈখি। তশেংনমক মসি মীচং মীখায় নাইবা মীৎয়েং চেন্দবা খুদিংমক্না খঙই।

সিনজিয়াং, হোংকোংগা মরী লৈনবা এফিয়র্স অমসুং টিবেটকী ইস্যু হায়বসি চাইনাগী মনুংগী ওইবা ৱাফম ঙাক্তনি হায়না চাইনিজ এম্বেসিনা ফোঙদোকখি।

হ্যুমেন রাইটস এন্দ দিমোক্রেসি



হায়না মমিং থোনবা রিপোর্ট অমদা বৃটিস ফোরেন ওফিসনা হায়খি, চাইনাগী হ্যুমেন রাইটসকী ফিভম কুমজা ২০২১ দা মখা তানা শোকচিল্লকখি অমসুং সিনজিয়াংদা পাক শন্না চথুরক্লিবা সিষ্টেমেটিক হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেসনগী থৌওংশিং চহী অসিদনা হেন্না শোকচিল্লকখি।

মেদিয়াগী ফ্রিদম, রিলিজনগী ফ্রিদম নত্ত্রগা রুল ওফ লোবু মখা তানা অথিংবা কয়া লাউথোক্তুনা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবসু লেপখিদে। এল জি বি টি প্লস অমসুং জেন্দর রাইটশিংদসু মখা তানা অথিংবশিং লৈখি হায়নসু রিপোর্ট অদুদা পনখি।

হোং কোংদা বৃটিস ফোরেন ওফিসনা হায়খি, সিভিল লিবর্টিশিং মরু ওইনা ফ্রিদম ওফ স্পিচ কা হেন্না লাকশিনবগী থৌওং চথুরক্লে। বৃটিস গভর্ণমেন্টনা হায়, মদুদি চাইনাগী ওথোরিটিশিংনা উইগুর মুস্লিমশিং অমসুং অতৈ মাইনোরিটিশিংবু লোনা য়াদবা মওংদা নম্ফুদা রি এদুকেসন কেম্পশিংদা থমজিনবা য়াওনা হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেট তৌবা পোলিসিশিং মখা তানা চথুরি।

মাইনোরিটিশিংদা কন্না সর্ভিলেন্স চথুবা, ফোর্স লেবর অমসুং ফোর্স বার্ঠ কন্ট্রোলগী থাজনিংঙাই ওইবা ইভিদেন্স কয়াসু ফঙলে হায়নসু রিপোর্ট অদুদা পনখি। বৃটিস ফোরেন ওফিসকী রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না কুমজা ২০২১ দা চাইনাগী ওথোরিটিশিংনা হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেট তৌবা থৌওংশিংদা এদভান্স টেক্নোলোজিশিং মখা তানা ইমপ্লিমেন্ট তৌখি।

সিনজিয়াংদা মাইনোরিটি মুস্লিমশিংবু ওৎ নৈবা অমদি নমথবগী থবক্তা মার্স সর্ভিলেন্স অমসুং প্রেদিক্টিব পোলিসিং অলগোরিথমশিং শীজিন্নখি। সোফটৱায়রশিং শীজিন্নদুনা মখোয়না চিংনবা মীওইশিং ট্রেকিং তৌখি। লোয়ননা শকখঙদোকপদা মতেং পাঙলিবা সোফটৱায়র শীজিন্নদুনা অকক্লবা কাঙলূপশিংদা টার্গেট তৌখি।

# ইরানগী মনুংগী এফিয়র্সতা খুৎ থিংজিনবগীদমক য়ুকেগী এনভোই কৌখৎখ্রে

টেহরান, দিসেম্বর ১১ (এজেন্সী):

ইরানগী মনুংগী ওইবা এফিয়র্সকা মরী লৈননা বৃটিস ওফিসল খরনা ফোঙদোরকখিবা লৈবাক অসিগী ৱাথোক লাম্থোকশিংদা খুৎ থিংজিনবগী মতৌ উৎপা ৱাফমশিং অমদি ইরানিয়ন নেসনেল কয়াগী মায়োক্তা অথিংবা কয়া থমখিবগা মরী লৈননা ইরানিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা বৃটিস এম্বেসেদর কৌখৎখ্রে।

ইরানিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱেষ্টর্ন য়ুরোপকী অহুমশুবা হেদ সাইমোন সেরক্লিপকা উন্নখিবা অদুদা বৃটিস ওফিসলশিংনা ইরানগী মনুংগী ওইবা এফিয়র্সকা মরী লৈননা খুৎ থিংজিনবগী মতৌ উৎপা ৱাফম কয়া লেপ্তুনা ফোঙদোকখিববু কন্দেম তৌখি।

ইরানদা থোক্লিবা রাইওটশিং অমসুং টেররিজমগী থবক থৌওংশিংবু বৃটিস গভর্ণমেন্ট অমদি মেদিয়ানা শৌগৎপবুসু ইরানিয়ন ওফিসলশিংনা কন্না য়ানিংদবা উৎখি। ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা থাংজ নুমিত্তা মসিগী ৱেবসাইটতা থাগৎপা ষ্টেটমেন্ট অমগী খুত্থাংদা ইরানিয়ন নেসনেলশিংগী মায়োক্তা লোনা য়াদবা মওংদা অথিংবা কয়া লাউথোরকখিবা অদু ইরাননা অকনবা মওংদা প্রোটেষ্ট তৌই হায়খি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তারদুনা ইরাননা রসিয়াদা দ্রোন কয়া থাই হায়বা বৃটিস গভর্ণমেন্টগী ৱাফম অসিবুসু রিজেক্ট তৌখি অমসুং অসিগুম্বা মরাল শীবা ৱাফমশিং অসি য়ুম্ফম অমত্তা য়াওদে হায়খি।

হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেসনশিং চথুবগা মরী লৈননা মরু ওইনা হন্দক্তা ইরানদা পাক্তক্লনা চথুখিবা প্রোটেষ্ট মনুংদা হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনখিবগী থৌদোকশিংদা চৈন্নৈ হায়রদুনা ইরাই নুমিত্তা বৃটেননা ইরানিয়ন ওফিসল ১০ গী মায়োক্তা অথিংবশিং লাউথোকখিবনি হায়রি।

# লাস্কর ভোলকেনো পোকখায়রকপদগী চিল্লিগী ওফিসলশিং এলার্ট ইস্যু তৌখ্রে

সান্টিয়াগো, দিসেম্বর ১১ (এজেন্সী):

চিলিগী ভোলকেনো অমদগী খঙহৌদনা নোংথক্তা ফুট ২০,০০০ ৱাংনা অশাবা উৎ মপৈশিং কামথোরকপদগী লৈবাক অসিগী ওফিসলশিংনা মীয়ামদা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈননবা ৱার্নিং তৌখ্রে।

এন্দিস চীংশাং নাপোমদা লৈরিবা লাস্কর ভোলকেনো থাংজ নুমিত্তা পোকখায়বা হৌরকখিবগা লোয়ননা অকোয়বা মফমশিং নিকখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ভোলকেনো অদুগী অকোয়বা মফমদা অমাঙ অতা থোকপগী পাউ ফংদ্রি। তৌইগুম্বসুং ওথোরিটিশিংনা অহানবগী গ্রীন ৱার্নিং অমা য়েল্লোদা ওন্থোক্তুনা মীয়ামদা হেন্না চেকশিন্না লৈননবা খঙহনখি। চিলিগী নেসনেল জিওলোজি এন্দ মাইনিং সার্ভিস (সের্না জিওমিন) না য়েল্লো অসিগী ৱাহন্থোক্তি ভোলকেনো অদু ষ্টেবল ওইদে হায়বনি হায়রি।

ক্লাসিফিকেসন অদুগী মতুং ইন্না এক্সপার্টশিংনা সাইট অদু মোনিটর তৌদুনা এক্সপ্লোজন মচা মচা থোকপা নত্ত্রগা মৈখু কাৱা হায়বদুসু য়েংশিল্লি। ভোলকেনো অদুদগী কিমি ১২ য়ৌদনা লৈরিবা অপীকপা টাউন অমা ওইরিবা অন্টোবাস্কাষ্টাগী মীওইশিংনা ভোলকেনো অদুদা ঙ্রুং ঙ্রুং ঙঙবগী মখোল তাবগা লোয়ননা মথক্তা উৎ কামখৎলকপগী শক্তম উবা ফঙখি। লাস্করগী মচিনদগী মৈখু ৱাংনা কাখৎলকপা ওইরবসু অকোয়বদা লৈরিবা য়ুমশিংদি মদুনা অমাঙ অতা থোকহনবদি লৈখিদে।

# ফিলিপিন্সতা ঈশিং ঈচাওনা কার চেন্থখিবদগী মীওই নিপান শিরে, অমা শোক্লে

মনিলা, দিসেম্বর ১১ (এজেন্সী):

ফিলিপিন্সকী রিজাল্ট প্রোভিন্সতা খঙহৌদনা ঈশিং ঈচাও থোক্লক্তুনা পেসেঞ্জর কার অমা চেন্থখিবদগী চহী মঙাগী নুপীমচা অমা য়াওনা পেসেঞ্জর নিপান শিখ্রে।

টানৈটাউন পুলিসকী পেট্রোলমেন জেসন বেনিটেসনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা এক্সিদেন্ট অদু থাংজ নুমিত্তা লোকেল মতমদা নুমিদাং পুং ৯ তাদ্রিঙৈদা থোকখিবনি। পেসেঞ্জর ২৫ তোংবা কার অদুনা তুরেল অমা লান্দুনা টাউন অদুদগী অৱাং পাংবা ভিলেজ অমা চৎলিঙৈদা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

টনাই ম্যুনিসিপাল দিজাষ্টর রিদক্সন মেনেজমেন্ট ওফিসকী চীফ নোলবর্টো ফ্রান্সিস্কো মাটিয়ঞ্জোনা হায়খি, মদুদি খঙহৌদনা ঈচাও থোক্লকখিবা অদুদা গাড়ী অদু তুরেল অদুগী ময়ায়দা লৈরিঙৈদা অকনবা ঈরৈনা চেন্থখি।

এক্সিদেন্ট অদুদা শিরিবা অতৈ মীওই তরেৎ চহী ৬০ গী মথক ওইরবা মীওইশিংনি অমদি মীওই অমনা থৌদোক অদুদা শোকখি। ফিলিপিন্সতা খরা শাংদোকহল্লবা অমসুং অপাকপা ফম্পাক পানবা পেসেঞ্জর জিটনিশিং পব্লিক ট্রান্সপোর্টতা তোইনা শীজিন্নৈ। অসিগুম্বা গাড়ীশিং মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদগী ফিলিপিন্সকী লম্বীশিংদা চেনবা উরক্লি। অদুম ওইনমক সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অসিদা থোক্লিবা এক্সিদেন্ট কয়া সেকেন্দ হেন্দগী পার্টশিংনা শেম শাবা গাড়ীশিং নীংথিনা মেন্টেইন তৌদবদগীনি হায়রি।